# ম্যান্মার জেদ মাইন নীংখায়রকপদগী মীওই ১ শিরে, ১০০ রোম থিবা ফংদনা লৈরি



য়াঙোন, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : ম্যান্মারগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা জেদ মাইন অমা নীংখায়রকপগী থৌদোক্তা মীওই ১ শিখ্রে অদুগা ১০০ রোম হেন্না থিবা ফংদনা লৈরি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিং অমদি রেস্কু ৱার্করশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা রেস্কু টিমগী মকোক থোংবা ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক নীংখায়বগী থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুঙ ৪ রোম তারকপদা থোকখিবনি। চাইনা অমসুং ম্যান্মারগা তাইননা লৈবা লৈবাক অসিগী কাচিন ষ্টেটতা লাইবক থিবা থৌদোক অসি থোকখিবনি। থৌদোক অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ১ শিখ্রে হায়না কনফার্ম তৌখ্রে অদুগা অতোপ্পা মীওই ৭০ দগী ১০০ রোম্না থিবা ফংদনা লৈরি।

রেস্কু ৱার্কর ২০০ হেনবনা থৌদোক থোকফমদা চঙশিন্দুনা মী থিবগী থবক অকনবা মওংদা চথুরি। খরা অমনা মনাক নক্লা লৈবা পাৎ অমদা হি তোংদুনা হকচাংশিং থিবগী থবকসু চথুরি। কাচিন ষ্টেটতা জেদ মাইন মরাং কায়না লৈরি। মাইনশিং অসি ফজনা শেমজিন শাজিনবা ওইদ্রবসু মফম অসিদা মীওই কয়া থবক শুরি। লাইরবা লৈবাক ওইবনা খুৎশুমন পীক্লবসু মাইন অসিদা লাক্তুনা থবক শুবা মীগী মশিং য়াম্বনি। জেদ মাইনশিং অসিদগী চহী খুদিংগী য়ু এস দোলর বিলিয়ন কয়া তানবা ঙম্লি। কাচিন ষ্টেট অমদি থংনরিবা ষ্টেটশিংদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইরগা লৈবাক নিংখায়বগী থৌদোক অসি থোকখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি মমাং চহীদসু লৈবাক অসিদা লৈবা মাইন খরদা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা থোকখিবা নীংখায়বগী থৌদোকশিংদা মাইনর ৩০০ হেন্না শিহনখি। অদুবু হিরম অসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবা লৈত্রি। শেঞ্জাও পায়বা মীওই খরনা মনিং তম্না মাইনশিং চলাইদুনা লৈরি।

# পূং ১২ ইরোইদুনা সমুদ্র খোঙবাল য়ৌরকখিবা অনীগী মনুংদা মদাগাস্কর মিনিষ্টরসু য়াওরি

অন্টানানারিভো, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মদাগাস্কর আইলেন্দগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা কাইখিবা মিলিটরি হেলিকোপ্টর অমদা তোংখিবা মীওইশিংগী মনুংদা অনীদি শিনিংচিৎতা হিংহৌরে। হিংহৌরবা অনী অদুগী মনুংদা অমদি মদাগাস্করগী মিনিষ্টরনি হায়রি।

পুলিস অমদি পোর্ট ওথোরিটিশিংনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, মিলিটরি হেলিকোপ্টর অদু হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইথৎ অদুদগী পাইখ্রবা মতুং মিনিট খরা লৈরগা কায়খিবনি। থৌদোক অদুদা মদুদা তোংখিবা খুদিংমক শিরন্নগনি হরায়না ওথোরিটিশিংনা থাজদুনা লাকখিবনি। অদুবু ঙরাং নুমিদাংৱাইরম হেলিকোপ্টর অদুদা তোংখিবা লৈবাক অদুগী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ফোর পুলিস সর্গে গিলে অমদি অতোপ্পা মিলিটরি পর্সনেল অমা রেস্কু ৱার্করশিংনা থেংনখিবনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা হিংহৌরবা সর্গেনা ফোঙদোকখিবদা, হেলিকোপ্টর অদু কায়রগনি হায়বা তোংলকখিবা মীওই খুদিংমক্না খুদক্তা খঙখি। অদুবু সমুদ্রগী ইমায় মথক্তা ৱাংনা পায়দুনা লৈবা মরম্না মখোয় অমত্তা পাঙ্গল থোকখিদে। খুদক্তা মহাক্না ফল্লিবা সিট অদু ইজেক্ট তৌখি। মদুগী মতুং মহাক্না ঈশিংদা তারকপা মতমদা অহৌবা খোঞ্জেলগা লোয়ননা মখোয়না



তোংলকখিবা হেলিকোপ্টর অদু কায়খি। মহাক্না ফল্লকখিবা সিট অদুনা ঙাক্লৌ ওইরগা মহাক সমুদ্র খোঙবান তান্না ইরোইদুনা লাকখিবনি। মহাক হৌজিক শিবগী মতম ওইদ্রি। চহী ৩০ শুরবা মীওই অমনা কল্লিবা মপাঙ্গল অদুগুম ঐসু কল্লি হায়না মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মশাদা অশোকপা অমত্তা য়াওদে অদুবু মহাক য়াম্না ঈংবা ফাওরে হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিস চীফ জাফিসামবত্রা রাভোভিনা ফোঙদোকখিবদা, নিংথৌকাবা নুমিত্তা থোকখিবা থৌদোক অদুদা পুন্না মীওই ৩৯ শিখিবনি। অদুবু মিনিষ্টর সর্গেনা থৌনা ফনা পূং ১২ রোম ইরোইদুনা কংফাল য়ৌরকপা ঙমখিবা অসি খ্বাইদগী হেন্না লাইবক ফবনি। মহাক্কী হকচাংগী ফিভম খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রে। চয়োলসিগী মনুংদা মীয়াম্না মহাকপু হান্নগুম মথৌ তৌবা অমুক হন্না উবা ফংলগনি হায়রি।

# হি লাকশিনবগী থৌদোক্তা শিখিবা মশিং ৬৪ শুখ্রে

অন্টানানারিভো, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মদাগাস্করগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা সমুদ্র খোঙবালদা হি লাকশিনবগী থৌদোক্তা শিখিবা মশিং ৬৪ শুখ্রে অদুগা ২০ না হৌজিকসু থিবা ফংদনা লৈরি হায়না মেরিটাইম ওথোরিটিশিংনা ঙসি ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা থৌদোক থোকফমদা অহেনবা রেস্কু ৱার্করশিং থাজিন্দুনা মী থিবগী থবক অকনবা মওংদা চথুরি। অদুবু হৌজিক থিবা ফংদনা লৈরিবা মীওইশিং অদুসু শিরন্নগনি হায়না থাজনরি হায়রি।

রেস্কু ৱার্করশিংনা হিরম অসিগা মরী লৈননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, উনা শাবা কারগো ভেসেল অসিদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা ইন্দিয়ান ওসিনগী শরুক্তা পেসেঞ্জর ১৩০ পুরগা চৎখিবনি। সমুদ্রগী শরুক্তা হি অসি লাকশিনখ্রবা মতুং রেস্কু ৱার্করশিংনা পুন্না মীওই ৪৫ দি কনবা ঙমখ্রে। ঙসি অয়ুক সেন্ট মেরি আইলেন্দ মনাক্তা অশিবা হকচাং ২৫ থেংনখিবগা লোয়ননা অশিবা মশিং ৬৪ শুখিবনি।

অমরোমদা মেরিটাইম ওথোরিটিগী মকোক থোংবা ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা, হি অদু টেক্নিকেল ওইবা প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা লুপখিব্রা হায়বদুগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু সমুদ্রগী কা হেনবা ঈথক ঈপোম্না মরম ওইরগা হি অদু লাকশিনখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

# য়ু এস ওফিসল মরী চাইনানা অথিংবা থমজিনখ্রে



বৈজিং, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : চাইনা অমদি য়ু এস অনীগী মরক্তা থোক্লিবা উংখৎনবগী থৌদোকশিংগা মরী লৈননা চাইনানা য়ু এসকী মকোক থোংবা ওফিসল মরীগী মথক্তা অথিংবশিং থমজিনখ্রে হায়না ষ্টেট মিদিয়া রিপোর্টনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা চাইনাগী কা হেনবা থৌওং অদুবু য়ু এসনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোয় ঝাও লিজিয়ানা ফোঙদোকখিবদা, চাইনানা অথিংবা থমখ্রবা য়ু এস ওফিসল মরী অদু য়ু এস কম্মিসন ওন ইন্টরনেসনেল রিলিজিয়স ফ্রিদমগী মেম্বর ঙাক্তনি। হায়রিবা টোপ ওফিসল মরী অসি চাইনাখক্তা নত্তনা হোং কোং অমসুং মকাউদা চঙলকপদসু অথিংবা থম্লে হায়রি। মসিদা নত্তনা চাইনাদা লৈরিবা মখোয়গী এসেটশিংসু ফ্রিজ তৌশিল্লগনি অমদি চাইনিজ ইন্সটিটুসনশিং অমদি লন্নাই মীওই অমত্তনা হায়রিবা মীওই মরী অসিগা পর্সনেল ওইনা পাউ ফাওনবদসু অথিংবা থম্লে হায়না লিজিয়াননা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা চাইনানা য়ু এস ওফিসল মরীগী মথক্তা অথিংবশিং থমজিনখিবগী থৌওং অদুবু য়ু এসনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখোয় ফিরেপ অমুক হন্না খন্থনবা খঙহল্লক্লি।

# কোভিদ-১৯ ভেক্সিন বুষ্টর কাপথোক্নবা ফোঙদোক্নরক্লি

জেনেভা, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোননা মালেমগী লৈবাক ১০০ রোমদা চৈথেং পীখিবগা লোয়ননা মীশি মীনা থোকহনবা হৌরকখ্রবা মতুং তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংনা লায়না লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন বুষ্টর কাপথোক্লবা ফোঙদোক্নরক্লি।

খৃষ্টমাস কুম্মৈ নকশিল্লকপগা লোয়ননা করিগুম্বা অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিং অমদি মীয়াম্না পায়খৎফম থোকপা থবকশিং মতম চানা পায়খৎহৌদ্রবদি তুংদা চাওনা খুদোংথিবা থোক্লবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মরম অদুনা হৌজিক্কী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা অমদি লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা শিহন্দনবা খ্বাইদগী হেন্না ফবা পাম্বৈদি ভেক্সিন বুষ্টর কাপথোকপনা ওই হায়রি।

সিঙ্গাপোরগী ওইনসু লৈবাক অদুদা হান্নগুম ভেক্সিন কাপথোক্লবা মীওইশিংনা য়াম্না ফ্রি ওইনা চথোক চৎশিন তৌবদা অয়াবা পীরম্বা অদু অমুক হন্না থিংজিন্নবা ফিরেপ লৌখ্রে। ওষ্ট্রেলিয়াগী ওইনসু লৈবাক অদুগী মীয়াম্না কোভিদ-১৯ ভেক্সিন অমদি ভেক্সিন বুষ্টর অথুবা মতমদা কাপথোক্লবা অকনবা ৱার্নিং তৌখিবা লোয়ননা ভেক্সিন কাপত্রিবা মীওইশিংনা মশা মশাগী ময়ুমদগী থোকপদা অথিংবা থম্লেসু হায়রি। য়ু এসকী ওইনসু চহী ৬৫ গী মথক্তা লৈরবা মীওইশিংনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন বুষ্টর মথং থাগী অরোইবা ফাওবগী মনুংদা কাপথোক্লবা অকনবা ইন্সট্রক্সন পীখ্রেসু হায়রি।

# সুদান প্রোটেষ্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সনা মীওই ২ হাৎখি, নুপী ১৩ গী ইকাইখুম্নবা মাঙহনখি : রিপোর্ট



খারটোম, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : সুদানদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মীয়াম্না চঙশিনখিবা খোঙজংশিংদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চথুখিবা কা হেনবা থৌওংনা মরম ওইরগা মীওই ২ শিহনখি অদুগা নুপী ১৩ বু নম্ফুদা মখোয়গী নুপী ওইবীগী ইকাইখুম্নবা মাঙহনখি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইটসকী ওফিসনা ফোঙদোরক্লি।

সুদানদা হান্না লৈরম্বা মীয়াম অমদি মিলিটরিগী ওইবা অপুনবা লৈঙাক অদুবু কূ তৌদুনা ইন্থুখ্রবা মতুং মিলিটরিগী কা হেনবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবনি। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তসু লৈবাক অসিগী কোনুং খারটোমগী তোঙান তোঙানবা মরুওইবা লম্বীশিংদা মশিং য়াম্লবা মীয়াম থোরক্তুনা মিলিটরি লৈঙাক্কী মায়োক্তা য়ানিংদবগী খোঙজংশিং চঙশিনখি।

মীয়ামগী খোঙজং অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খোঙজংলোয়শিংবু ফু চৈবগী থবক চথুবখক্তা নত্তনা মীয়াম তম্না ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই অনী শিখিবনি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা খোঙজংদা শরুক য়ারকখিবী চহী নৌরিবী নুপীমচাশিংবু ফাজিল্লবা মতুং মখোয়গী নুপী ওইবীগী ইকাইখুম্নবা মাঙহনখি হায়না ওফিস অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হ্যুমেন রাইটস ওফিসকী ৱাঙাংলোয় লিজা থ্রোসেলনা ফোঙদোকখিবদা, সুদান মিলিটরিনা চথুরিবা কা হেনবা থৌওংশিং অসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেট তৌহন্নবগীদমক ইন্টরনেসনেল ক্রিমিনেল কোর্টতা ৱাকৎনবা শেম শাবা লোইরে। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীয়ামদা চথুরিবা থৌওংশিং অসি ক্রাইমনি। মসিগী মায়োক্তা মালেমগী লৈবাকশিংনা এক্সন লৌখৎপগী মতম ওইরে হায়রি।

# নাইজেরিয়া ভাইওলেন্সকী থৌদোক্তা মীওই কয়া শিখ্রে

অবুজা, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : নাইজেরিয়াদা ঙসি লৌমীশিং অমদি শা ঙা লোয়রিবশিংগী মরক্তা থোকখিবা উংখৎনবগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪৫ শিহনখ্রে অদুগা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট মুহমদু বুহারিনা ফোঙদোকখিবদা, নাকল অনীগী মরক্তা থোকখিবা খুৎ থোক্নবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিং অদু লৌমী ঙাক্তনি। লৈবাক অসিদা ঈশিংগী ৱাহৌগা মরী লৈননা লৌমী অমদি শা-ষন য়োক্লিবা মীওইশিংগগী মরক্তা হেক হেক খুৎ থোক্নবগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্লি।

অদুবু ঙসি থোকখ্রিবা থৌদোক অসি মহাক্কী গভর্নমেন্টনা তরাইনা লৌদে। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা মরালগী চপ চাবা চৈরাক লোগী মতুংইন্না পীগনি। মখা তানা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোক্তনবা অথুবা মতমদা মহাক্কী কেবিনেটশিংগা খন্নদুনা থবক ওইনা পায়খৎনবা হোৎনগনি হায়রি।

অমরোমদা পুলিস ওফিসার জেননা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা ইরাই নুত্তি য়াও শেনবা নুপা অমা ঈশিংগী ৱাহৌগা মরী লৈননা লৌমীশিংনা হাৎপগী থৌদোক অমা থোকখি। পুলিসনা মসিগী মতাংদা থিজিল্লিঙৈ মরক্তা ঙসিগী লাইবক থিবা থৌদোক অসি থোকখিবনি হায়রি।

# ৱেষ্টর্ন কন্ত্রিশিংগী মথক্তা মিলিটরি এক্সন ফাওবা লৌখৎলকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে

মোস্কো, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : য়ুক্রেন অমদি রসিয়া লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরিবা চয়েৎনবশিং অসিগা মরী লৈননা ৱেষ্টর্ন কন্ত্রিশিংনা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া রসিয়াগী মায়োক্তা চথুনবা হোৎনরক্লিবা অসি খুদক্তগী লেপকদবনি হায়না রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিননা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি চথুদুনা লৈরবদি মিলিটরিগী ওইবা এক্সনশিং ফাওবা লৌখৎলকপা য়াই হায়না অকনবা মওংদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

প্রসিদেন্ট পুটিননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা চয়েৎনবা লৈরিবশিং অসিদা অতোপ্পা লৈবাকশিংনা খুৎ থিংজিল্লকপা হায়বসি অরানবা খোঙথাংনি। মসিনা মরম ওইরগা রসিয়া অমদি খুৎ থিজিল্লক্লিবা লৈবাকশিংগী মরক্তা হান্না লৈনরম্বা মরী শোকচিল্লকপগা লোয়ননা মখা তানা উংখনবগী থৌদোকশিং থোরকপা য়ানা লৈ। অসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিং অসি থোকহন্দনবা হোৎনবদা লৈবাক খুদিংমক্না হোৎনবা মথৌ তাই। য়ু এস অমসুং ৱাশিংটননা লুচিংবা নেটো এলাইশিংদসু হিরম অসিগী মতাংদা খঙহনখিবগা লোয়ননা রসিয়াগী মায়োক্তা অরানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লিবা অসি খুদক্তগী তোক্নবসু খঙহনখ্রে।

অমরোমদা রসিয়ানা য়ুক্রেন লৌশিন্নবা হোৎনরি হায়বসি অরানবা ৱাফম্নি। রসিয়াদা অসিগুম্বা ৱাখল অমত্তা লৈতে অমদি য়ুক্রেনগা তাইনবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা অহেনবা ট্রুপশিং দিপ্লোয় তৌখিবসু লৈতে। অদুবু য়ু এসনা মসিগী ওন্ন তৈনবদা অরানবা ৱাফম কয়া শন্দাক্লিবা অসি লাইবক থিবনি। য়ু এস অমদি নেটো এলাইশিংনা রসিয়াগা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা মখোয়গী মিলিটরি বেজশিং থম্নবা হোৎনরক্লিবা অসিসু খুদক্তগী লেপকদবনি হায়না পুটিননা খঙহনখিবগা লোয়ননা মসি হান্না য়ানখিবশিংগী মায়োক্তনি। মরম অদুনা য়ু এস অমসুং নেটোনা মখোয়গী ফিরেপশিং হন্দোক্কদবনি। মসিনা তুং কোয়না রসিয়া অমদি মখোয়গী মরক্তা অফবা মরী লৈহনবা ঙমগনি হায়না মখা তাখি।

# ফাজিন্দুনা থল্লিবা ওং সান সু চি অমদি অতোপ্পা লুচিংবশিং থাদোক্নবা তকশিনখ্রে



ন্যু য়োর্ক, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফমখিবা য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেমব্লি মীফম অমনা য়ু এন মেম্বর ষ্টেটশিংদা ম্যান্মারদা খুৎশু খুৎলাইশিং পীদনবা অমদি মমাং চহীগী নবেম্বর ইলেক্সন রিজল্ট অদুবু মিলিটরিনা ঈকায়খুম্নবা উৎকদবনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক ফাজিন্দুনা থল্লিবা মীয়ামগী লুচিংবী ওং সান সু চি য়াওনা অতোপ্পা পোলিটিকেল লিদরশিংসু থাদোক্নবা মিলিটরি জুন্টাদা খঙহনখ্রে।

জেনরেল এসেমব্লি অদুদা লৈবাক ১১৯ না ম্যান্মার মিলিটরিগী কা হেনবা থৌদোক অদু মখা তানা চথহন্দবা অমদি মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অমা লাকহনবা হায়বা ৱাফমসিদা ভোট থাদখি। মীফম অদু লোইরবা মতুং য়ু এনগী সেক্রেটরি জেনরেল এন্তোনিয়ো গুটরসনা ফোঙদোকখিবদা মিলিটরি কুগী থৌওং অসিবু চৎনবী অমা ওইনা তৌরক্লিবা অসি ঐখোয়না তুমিন্না য়েংদুনা লৈবগী মতম নত্তে। মসি মীয়াম্না য়াবা ঙম্লোইদবা থৌওং অমনি মরম অদুনা মতম লৈরিঙৈদা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি থিংহৌবা মথৌ তাই।

ম্যান্মারদা থা ৯ হেন্না মিলিটরিগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং মীয়ামগা উংখৎনবগী থৌদোকশিংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ১৫০০ হেন্না শিখ্রে। অদুগা ১৫,০০০ হেনবনা ফাজিন্দুনা থল্লি। হায়রিবা থৌওংশিং অসি মীওইবগী চৎনবী নত্তে। মরম অদুনা য়ু এন মেম্বরশিংনা মতম চানা ম্যান্মারদা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎপগী মতম ওইরে।

ম্যান্মারদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন অদু মিলিটরিগী মায়কৈদগীদি অরানবা কয়া য়াওখি হায়না ফোঙদোরক্লবসু মদুগী খুদম মীয়াম খঙনা পীবা ঙমদ্রি। ইন্তরনেস্নেল ওবজার্ভরশিংনদি নবেম্বর ইলেক্সন অদু অরানবা থৌওংশিং য়াওদনা পাঙথোকখিবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

এসোসিয়েসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স কী মনুং চন্না লৈরিবা লৈবাকশিং মরু ওইনা ইন্দোনেসিয়া, মালেসিয়া, সিঙ্গাপুর অমদি ভিয়েনটামনসু য়ু এনগী ফিরেপ অদুবু মপুং ফানা শৌগৎখি।

অমরোমদা মিলিটরি জুন্তানা ফাজিন্দুনা থল্লিবা মীয়ামগী লুচিংবী অসিগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা মরাল কয়া পীশিন্দুনা মপুন্সি চুপ্পা জেলদা থম্নবা হোৎনরি। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লুচিংবী অসি মরাল লৈরে হায়না মিলিটরি কোর্টনা প্রমান পীবা ঙমদ্রি। অদুবু করিগুম্বা মরাল লৈরে হায়না লাউথোরক্লবদি জেলদা মহাক মতম শাংনা লৈরবা য়ানা লৈরি।

# থবক শুমিন্নবা মীওই ৮ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

সেন জোস, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : য়ু এসতা নোংমৈ কাপ্তুনা মী হাৎপগী থৌদোকশিং থিংনবা অকনবা মওংদা হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙমদ্রি। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তসু ত্রানজিৎ ইমপ্লোয়ী অমনা মহাক্না থবক শুমিন্নবা মীওই ৮ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগা লোয়ননা অমনা শোকহনখি। মদুগী মতুং মহাক মশাসু মতোমতা কাপশিন্দুনা শিজখিবনি।

য়ু এসকী কার্লিফোনিয়াদা থোকখিবা থৌদোক অদু য়াম্না লাইবকথিবা থৌদোকনি হায়না কালিফোর্নিয়াগী গভর্ণরনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা গন ভাইওলেন্সকী থবকশিং লেপ্পবা অকনবা মওংদা আপীল তৌরকখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা অকুপ্পা মরোলদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা মরী লৈনবশিংনা চপ চানা খঙহল্লকপা লৈত্রি। অদুমওইনমক থৌদোক অদু অয়ুক্কী পুং ৬.৩০ রোম তারকপা মতমদা থোকখিবনি হায়রি।

কার্লিফোনিয়া কাউন্টি সেরিফকী দিপ্যুটি রুসেল দেভিসনা ফোঙদোকখিবদা কালিফোনিয়াগী সান্তাক্লারা ভেল্লি ত্রান্সপোর্টেসন মনাক নক্লা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমা থোক্লে হায়বগী পাউ ফংলবা মতুং সেরিফশিং মফমদুদা থুনা য়াঙনা চঙশিনখি হায়রি।

# মিলিটরি এয়র রেদকী মতুং অশিবা হকচাং কয়া থেংনখ্রে



নেপিদো, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : মিলিটরি ফোর্সশিং ওইরম্বা য়াই চিংনবশিংনা এয়র রেদ চথুখ্রবা মতুং রেদ চথুখিবা মফমশিংদা চঙশিন্দুনা য়েংলুবদা চহী নৌরিবা অঙাং অনী য়াওনা মীওই ৯ গী অশিবা হকচাংশিং থেংনখ্রে হায়না ম্যান্মার নাউ ন্যুজকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না এয়র রেদ অদু লৈবাক অদুগী মাগৱে রিজনদা চথুখিবনি। করি মরমগীদমক মফম অদুদা এয়র রেদ চথুখিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক অদুদা শিখ্রবশিং অদুগী মনুংদা ২ দি এন্টি কূ সেল্ফ দিফেন্স ফোর্সশিংনি। অদুগা লেমহৌরিবা ৭ অদুনা মীচম্নি। এয়র রেদ অদু চথুখিবা মতমদা মিলিটরি হেলিকোপ্টর অমদগী হেন্না শিজিন্নবদি মীয়াম্না উনখিদে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মিলিটরিগী ৱাঙাংলোয় জো মিন টুননা ফোঙদোকখিবদা, মিলিটরিনা এয়র রেদ চথুখিবা মফম অদুদা কাচিন ইন্দিপেন্দেন্স অর্মিগী ফাইটরশিংনা ওপরেট তৌদুনা লৈরে হায়বগী অকক্নবা পাউ অমা ফংলবা মতুং মফম অদুদা মিলিটরি ট্রুপশিং থাজিনবদা খুদোংচানবগীদমক এয়র রেদ হান্না চথুখিবনি। মদুদা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিং অশোক অপন নংখিবা লৈতে। অদুবু রেবেল গ্রুপ অসিগী ফাইটর খরদি হাৎপা ঙমখ্রে। লৈবাক অসিদা লৈরিবা রেবেল গ্রুপশিং অসিগী মথক্তা মখা তানা মিলিটরিনা কাউন্টর ষ্ট্রাইকশিং চথুখিগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদগী লৈবাক অসিদা মিলিটরি জুন্তা লাকখ্রবা মতুং ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌদোক কয়া থোক্তুনা লাক্লি।


OFFICE OF THE PRINCIPAL/RETURNING OFFICER,
REGIONAL COLLEGE, LILONG, IMPHAL WEST

ꯈꯅꯒꯠꯂꯕꯒꯤ ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / ELECTION NOTIFICATION
Lilong, the 22nd December, 2021

No.RC2/11/Elec.GB/2021: It is hereby notified for information to all Parent's/Guardian's of the students concerned that election schedule which was earlier fixed on Wednesday, the 22nd December, 2021 has been rescheduled as follows:

ELECTION SCHEDULE

| Date | |
|---|---|
| 27 – 12 – 2021 | Nomination file of the 6 (six) applicants with a sum of Rs.5000/- (Rupees Five thousand) each only as security deposit. |
| 28 – 12 – 2021 | Scrutiny of the Candidates at 11:00 a.m. |
| | Publication of Electoral roll. |
| 29 – 12 – 2021 | Withdrawal of nomination paper of candidates |
| 30 – 12 – 2021 | Date of Election; from 11:00 a.m. to 3:00 p.m. |
| 30 – 12 – 2021 | Declaration of Election Result. |

Further, it is also informed that Last date of submission of Aadhars (Xerox) of Parent's / Guardian's of students will be on or before 27th December, 2021 up to 3:00 p.m.

Sd/- S. Tilakchand Singh
Principal / Returning Officer,
Regional College, Lilong,
Imphal West.

HL-P/1027/23,24